ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯹, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, সেপ্টেম্বর ২৯, ২০১৮, ইম্ফাল

৪২ শুবা চহী, ১৮৬শুবা মশীং

# মহৌশাগী খল কায়থরকপা

## *চাক তাঙবা থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎসি*

**মণিপুর** হায়রিবা ষ্টেট অসি য়াম্নসু শাদবা, য়াম্নসু ঈংদবা, চুফম থোকপা নোংজুগী চাং কায়দবা, ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাওসিদা থাবা পোৎলম অয়াম্বা মহাও লৈবনা লাইগী লৈবাকনি হায়নরম্মী। চহী অমগী মনুংদা অশাবা মতমদগী অঙৈংবনা হেল্লম্মী। মতম অমদদি ওগষ্ট থা অসি নিংথম থা ওইরম্মী। কৃষ্ণ জন্ম নুমিৎতা লাই খুরুম্বা চৎননবগীদমক পুখ্রিদা কুমদুনা ঈরু-মায়থজবা ঈংবনা ঙম্লমদে। লৈচিল থাবা উই। হৌজিক্লা সেপ্টেম্বর থা লোইরবা ফাওবা নিংথম থা চঙদ্রি। কয়াদা অহোংবা লৈরবনো। পূন্নমক অসিগী মথক্তা হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা হোংলক্লিবা অসি অকিবগী মশকনি। চহী ১গী মনুংদা থা খূদিংগী ওইনা নোং খজিক-খজিক্তা ওইরবসু চুদবা য়াওরমদবা অদু হৌজিক্তি থা কয়ামরুম নোং মরিক অমফাওবা চুদবা য়াওশিল্লক্লে। চহী অমগী চুফম থোকপা নোংজুগী চাং অদুসু নুমিৎ নীনি হুম্নি খক্তমক চুবদা ফংবা ঙম্লগসু মদুনা তুংশিন্দুনা থম্বা য়াবা মওং-মতৌ অমফাওবা শেমদবনা চুরকখিবা নোংগী ঈশিংশিং অদু অরেম্বদা মাঙখিবদগী থক্লনবা ঈশিংদসু অৱাবা ওইরি, লৌ উবদসু কান্নবা পীবা ঙমদ্রি। চৎলিবা চহী অসিদসু নোংমা নীনিখক নোং চুবদা তুরেলগী তোর্বান অয়াম্বা কায়দুনা মণিপুরগী মীয়াম খূদোংচাদবা মায়োক্লবা লৈখি। মতমদুদা চুখিবা নোং অদু প্রি মোন্সুন নৎত্রগা মোন্সুননি হায়জরগসু থৱানগী নোং, লাংবন ইখোম্বা অমসুং মেরাগী ঈচাও হায়না লৈরম্বা নোং চুবগী কাঙলোনশিং অসিসু তপ্না-তপ্না মাঙশিল্লক্লি। থৱান থাদা মচি-মচি নোং চুবগী সিষ্টেম অদুসু হন্দক্কী ওইনা উখিদ্রে। লাংবন থাদা ইখোম্বা হায়দুনা ঈশিং চাওবমক নৎত্রগসু লৌবূক্তা ঈশিং তুংহনবা ঙম্বা নোংজু অদুসু লাকখিদ্রে। মসিনা লৌবূক-লম্ফাং, পাৎ-তুরেল অমদি পুখ্রি-খোংবালদা মরাং কায়না লৈজগদবা ঙাগী চাথোক শাথীনা হন্থরগনি। হান্নদগী হৌনা ঙাগী পোথোক কোন্নদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈসিদা নোংজু-নুংশাগী খল কায়থরকপনা ঙা মরুম কোকপা, মচা ওনবা অমসুং চাওখৎলকপনচিংবগী কাঙলোনদা চাওনা খূদোংচাদবা থোকহল্লগনি। ওইরক্লিবা অহোংবা অসি কিনিংঙাইগী মশকনি। হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা ওইরক্লিবা অওনবশিং অসি কুপ্না নৈনদুনা মথং চহী ১০ দা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বা থিদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। হোংলক্লিবা কয়া অসি কমদৌনা মায়োক্নগদগে অমসুং মীয়ামদা মসিনা পীগদৌরিবা খূদোংচাদবশিং অদু করম্না কোকহনগদগে হায়বদুসু অখণ্ড-অহৈশিংনা পুথোক্লগা লৈঙাক্তা থৌশিল শেমহনবা চুমগনি।

মণিপুরগী মীওই লাখ ২৯ লোম অসিগী মরুওইবা চীঞ্জাক পুথোক্লিবা হেক্টর অসি পূন্না লৌফম লাখ ১.৯৫ রোমনি। মসিগী মনুংদা তম্পাক্কী লমদা ফৌ থারিবা লৌফমনা হেক্টর লাখ ১.১৬ রোমনি। চীংগী লমশিংদদি জুম কল্টিভেসন লৈঙাক্লা পূক্নিং থৌগৎখিদবা মরম্না অপীকপা শরুক খরখক্তদা লৌ উনরি। য়ামখিদ্রবা লৌফম খরখকসিদা লৌমীশিংনা তঙাইফদে হায়না লৌজবা য়ুরিয়া হার ফংদবগী ৱাথোক্তি চহী খূদিংগী হেনগৎলক্লি। হন্দক্তা থোকখিবা য়ুরিয়া হার ফংদবগী অচৌবা ৱাথোক অদুসু মণিপুরদা পুশিল্লক্তনা মপান লমদা য়োম্থোক্লমগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈতবা নত্তে। অদুমকপু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মীৎয়েং চঙদুনা জিরিবামরোমদা য়ুরিয়া বেগ খরা চিংশিল্লকখিবা অমসুং য়ুরিয়া চাইবগী মতম হেনখিবনা লৌমীশিংগী য়ুরিয়া ফংদবগী ঈৱাং অদুদি কোকহনবা ঙমখ্রে। অদুবু খ্বাইদগী লুরিবা ৱাফম অমদি লৌমীশিংনা অহিং নুংথিল নাইদনা ৱানা হোৎনজদুনা পাল্লিবা লৌ অয়াম্বা হৌজিক ফৌ শাৎপা ঙমদবগী ফীভম অমা লৈরক্লিবা অসিনি। ফৌ হায়রিবা পাম্বী মখল অসি নুংশা নীংথিনা শাবা, ঈশিং মরাং কায়না লৈবা মফমদা থাগদবনি। দিগ্রী সেলসিয়স ১৮গী মখাদা ঈংথরক্লগদি ফৌ পাম্বীশিং মপান শাৎপা ঙমদে। মপান শাৎলকপা মতমদসু নোং মরাং কায়না চুবদা ফৌরিকশিং চামথোকখিবা য়াবগী অকিবসু লৈবনা অকক্লবা মতমদা অমসুং অকক্লবা চাংদা নোং চুরগদি থারিবা পাম্বীশিং অদুগী মহৈ চাগনি। অসিগুম্বা কয়া অসি কুপ্না য়েংলুরগদি ঐখোয়না চানরিবা ফৌ/চেঙ পুথোক্লিবা লৌমীশিং অসি অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎফম থোকই। মখোয়গী হুমাং মরিক কয়ানা লৌখোংগী ঈশিংগুম্না চেলহল্লগা ঐখোয়বু পূক থলহল্লিবনি। অদুবু, লুরিবা ৱাফম অমদি মণিপুরগী অঙৈং-অশাগী খল শাথীনা কায়থরকপদগী নোংজু-নুংশাগী চাং নাইরক্ত্রে। অঙৈং-অশাগী খলসু মহৌশাগা মান্নদ্রে। চুফম থোকপা নোংজুগী চাং অমসুং চুগদবা মতমদা নোং চুদবনা হৌজিক লৌফম অয়াম্বা লৈক্রক চৎলে। লৌফম অয়াম্বা লৈক্রক চৎপনা মরম ওইরদুনা হৌজিক্তি ফৌ শাৎপা ঙমগদ্রা নৎত্রগা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী অচৌবা ৱাহং অমা লাক্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, লৌমী-শিন্মীশিংগী অৱাবা হায়বসি ষ্টেট অসিগী অৱাবনি। ফৌ শাৎপা ঙমদবা হায়বসি ফৌ পুথোকপা ঙম্লরোই হায়বনি। মসিনা চাক তাঙবা থোক্লগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ অমা পীরবনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেটকী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকা তানরগা লৌখোংদা ঈশিং ফংহনবা য়াব্রা হায়বদু অতেনবা মতমগী মনুংদা য়েংহৌরগদি লৌফম খরখক্তা ওইরবসু ফৌ শাৎহনবা ঙমগনি। মদু নৎত্রগদি লাক্কদৌরিবা চহী অসিদা মণিপুরদা চাক তাঙবা থোক্কদৌরিবা অসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা করি থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদু খন্থহৌবা য়ারে হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মতম চানা অশেংবা অদু খঙহনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরসি** তৌনীংবতা তৌবা য়াবা লৈবাক ওইবরা খল্লে। ঐগী মীনি হায়দুনবু ইন্টরভিয়ুগী চৎনবী য়াওদনা, খঙদনা দ্রেস পংশেৎ শেৎচিনবা, পংখুম খুল্লগা ৱাহং পাউখুমবু ওইরসু সেলেক্ট তৌরে হায়রগা হেক্তা য়ারবরা? হন্দক মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু) গী এ সী ঈ, পি এস টু ভি সী, অতৈ অতৈ পোষ্ট খরা লৌখিবদুদি ঐ ইশামক হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা উজহৌই। কেন্দিদেট খরদি ইন্টরভিয়ুদা শেৎফম থোকপা দ্রেস শেৎলগা য়াম্না স্মার্ট ওইনা লাকখিবা উই। ইন্টরভিয়ুগী নোর্মদা ঐখোয়না থিজিনজরুবদা ফোর্মেল দ্রেস ফজনা শেৎকদবনি, ফুরিৎ থাদবা য়াদে, চপল তোংবা য়াদে, শু ফ্লেট, পম্পশুস তোংবা য়াদে। নুপাগীদসু কোলর য়াওদবা, মোজা ফুরিৎ টি-শর্টকুম্বা লিৎপা য়াদে হায়বনচিংবা অতৈ অতৈ রুল ময়াম অমা লৈজরিবনি। অদুবু ইন্টরভিয়ু লৌরিবা কাঙবুনা খঙদবরা, অচৌবনা হায়বা ইন্দবা য়াদবগীরা খল্লিবা কেন্দিদেটতুদি নোর্মশিংদু অমত্তা ঙাক্তবা ওইনা তৌই।

মতাংসিদা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টকী ওর্দর অমসু নীংশিংজরি মদুদি গেজেটেদ ওফিসরগী পোষ্ট নত্তবা কাঙবুগী এপোইন্টমেন্ট/সেলেক্সনদদি ইন্টরভিয়ু য়াওহনগনু হায়বা লৈখ্রবনি। ইন্টরভিয়ু তৌরবসু চৎন-কাঙলোনদুদি চুম্না তৌহন্নীংই। মসি মিদিয়াগী কাঙবুনা হেন্না খঙবীরমগনি। অদুনা লৈঙাক্লা অশোয়বশিংসি খরা-খরা চুমথোকপীরবদি ন্যু ইন্দিয়া হায়বগুম্না ন্যু মণিপুর ওইরকপা য়াই। মতাংসিদা এডিটরগী ওইবা ৱাফম খরসু ফোঙদোকপীরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। ঐখোয়গী অঙাংশিংসু ইন্টিরভিয়ু অদু য়াওই। ঐখোয়দনা কম্প্যুটর সার্টিফিকেট য়াওদবা য়াদে হায়রগা মখোয়না সেলেক্সন তৌগনি তৌরিবা কেন্দিদেটতুনা কম্প্যুটর সার্টিফিকেট য়াওরমদ্রে। পূম্নমকসি য়েংলুবদা মনুংদা বেরা অমা লৈবগী মওং উবা ফংই। মরম অদুনা মিদিয়াগী মায়কৈদগীসু মীৎয়েং খরা চঙহন্নীংই। মণিপুরগী সী এম ফাওবা খঙহৌদবগী পাউ খরসু তাই। মরম অদুনা ইন্টরভিয়ু অদুদা য়াওখিবা মীচম মীয়ামগী মতেং পাংবীবগা লোয়ননা মতম চানা অশেংবা অদু খঙহনবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - মঙলেমজাও ওক্রম, তাওবুংখোক অৱাং লৈকায়*
*পি ও লাংজিং - ৭৯৫১১৩*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০

১। ১৮৯১দা ফাঁসি তৌখ্রবা ঐখোয়গী অথৌবা অনী, চিরাই নাগা অমদি পুখ্রম্বা ফিঙাং (কাজাউ) অনীগী মিংদা হৌজিক লম্বী অনীগী মমিং থোল্লনি হায়রি।
   (ক) চিরাই নাগানা হাৎখিবা সাহেব অদুগী মমিং হায়য়ু।
   (খ) কাজাউনা হাৎখিবা মিষ্টর গ্রীমউদকী নুপীদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "চীন্নাইদবী মরুপ-ও/ঙাইহাক্তসু ঙাইখো-ও/লমনাইদবা মালংনি।" পরেং অহুম অসি কবি চাউবগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শান্নরি পোকপদা ঙায়রিবা নুমিৎনা/তঙাংলবা মখোঙ-মখূৎ কাওরদুনা/লোংখ্রাক লোংনা মফি থোংদনা।" পরেং অহুম অসিনা 'য়েংলু য়েংলুবদা' হায়বা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ১৯৬৭তা ফোঙবা শৈরেং লাইরিক অমনা অইবীশিংগী ইহান হানবা শৈরেং লাইরিকনি হায়না পানরি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৫। কালকূটকী বাংলা উপন্যাস 'শাম্ব' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকপদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কারুবা ওলহৌবনা ফদৌরমাল্লে

## ৰাইরু-ৰাইরুবদা



তাউবা হূইনা য়াম্না পাম্না চাজরিবা অচাপোৎ অসি তাইবং মীওইবনদি হেক চাবদা হঙ্গোইগদবা অঙাংগী পেৎ পেৎ লাউবা অমাংবা অসিনি। অমাংবা চাদবা হূই অমত্তা কোয়না চত্তুনা থিবদা ফংদৌ মান্দে। অমাং-অশোয় হায়বা অসিদি লেম্না মফম খুদিংমক্তা লেম্না অদুম ফংজরবা পোৎশক অমনি। মরাং কায়নসু ফংবা পোৎশকনি, ৱাৎপা কৌবসু লৈররোইদৌবা পোৎশকনি। ইনইকজোষ্টিবল রিসোর্স মখল অমনি নমু তাইবঙ মীনা মালেমসিদা হেক লৈরিমৈখসু হূইগী মচীঞ্জাক ৱাৎলরোই।

হায়জখ্রিবা মথক্কী ৱারোল খরা অসিমক্লসুনি তাউবা হূইনা ইৱা ৱাদনা মপুন্সি মথা শাদনা হিংবা ঙম্মম্মিবসিসু। শেল তান্নবা থবক নীং তেকখৈ শুরসু হূইরি ফাদুনতা লৈদুনা থবক শুকসু শূদ্রসু হূইগী মচীঞ্জাক্তি কুবেরগী লনগৈদৌনা শুকৱাৎ ৱাৎলরোই অদুনা হূইশিংনা মপুন্সিদু কোম্না কোম্না চাউথোক্লা হিংবা ঙমজৈ। মখোয়দদি চীঞ্জাক্কী মতাংসিদি পল্লুবদা নোকপু নোক্লিংলমগনি। অমাংবা ফংলক্তবা মতমদনা মদুগী মহুৎ ওইনা লিল অশিবা, উচি অপুম্বা, শা ঙা অপৎ অতা, চাক্লেম য়ুরেম অদুম খরা কোয়থি থিরগা চা চাদুনা হিংবা য়াই। চাবগী মতাং অসিমা মতাংস্বাইদা মাগীদি ৱা অদুম লোইরে। চাবা য়াবদু খরা চাশিল্লবা মতুংদুদা অমুক, মঙ্গোল কাচিল অমদরা, উখাদরা ৱাখাদরা, তেবল মখাদরা ফিদা থাগে থাও থারোই তোকউ মমিৎ উইশিন্দুনা নুমিত্তুমা কুন্দুনা লেনবা য়ারে। অরেম অপদা পিক থন্না মবুক্তুদা য়াওরবনিনা তুম্বদসু অদুম খ্রো খ্রো নাখোক্তুনা তুম্বা য়ারে। য়ুম কৈ সাৎ হৈদুনা শাদবা য়াদে, তেরাগী মোম্পাক্তা য়াহিপ্তুবা য়াদে হায়বসু হূইগী মফমদদি লম্থোইবদা শমজেৎনি। লৈরুবা মফম্না মোংবা মরানয়াই অদুম ওইরে, তূম্লুবা মফমনা কাংথোন নৎত্রগা হিদান অদুম ওইজরে।

হূইগীদি মচাশিংগী মশুশিংগী লাইরিক লাইশু তমহল্লি তমহন্দেগী নুংনাংবা খিবিক লৈত্রে। থা থাগী ফী লীশিং লীশিং স্কুলদা থীনিংঙাই লৈতবগী কোক্তা খূৎ হাপ্লদুসু লৈত্রে। শোরাৎকী, লুহোংবগী পোৎয়েং চৈয়েং পীনবা চামঙা চৎপী লীশিং চৎপী অমা লৈতে হায়বগী মতৈ মনাও ওনশিন্নদুনা শংকৎনবা লাওনবা অদুমখৈসু অমত্তা লৈত্রে। মচা মশু লুহোং খোঙদোংবগী অৱা পোৎলুম্নসু কোকথক্তা ননথরক্তরে। সনাগী লীক লৈ শিদবা য়াদে, কার তোংদবা য়াদে হায়বগী নাখোং অমা শানদ্রে। মখোয়সিবু হিংবদা পুমকোম কোল্লিরোইদ্রনে ? শোরাৎকী, অস্তিগী, লুহোংবগী, নাহুৎ নারেংগী, লূ কোকপগীফাও পোৎয়েংগীদমক মীওইবদি কোক তাঙনরে, মসিমা হূইগী খুন্নাইদা লৈত্রে। মচা কোক্লিংলিখৈ কোক্কেসু ৰানঙাই শূক্লৈ লৈতে। মসিনি মীওইবগা হূই ওইবগা চাউন-চাউনা খেন্নরিসে। ফি-রোল শেৎত্রে, ফজবা ফি-রোল সিমা শেৎতবা য়াদে হায়বদুমসু নাকোরিনি। তাইবঙ মীওইবদি ফি শেৎতবা য়াদে। চুম্না ঈংবা শাবা, ইকাই শঙ্গোয় হাঙদনবা লোক থুংদনবা শেৎনবগী মথক্তা, ফজনা উহন্নবা, ইজ্জৎ লৈখৎনা উহন্নবা পি শেৎদিন্দবা য়াদ্রি। মসি তাউবা হূইগীদি থোইদোকপা মথৌ অমত্তা তাদ্রে। মখোয়দি পোকলকপদা অদুম মাগী ফি রোল য়াওজরক্লগা অসুম পোকলকচরে।

মরম খরা অসিদং য়েংবদা ঐখোয়না খঙলে হূই হায়বা জীবসি য়াম্না নুংঙাইনা কোম্না হিংবা জীব অমা ওইদুনা লৈরম্লে।

নমু তাইবঙ মীওইবা হায়রিবা মখোঙ অনীদং পানবা জীব অসিদি তাউবা হূইগী চৎনরোলগা পুরা ওন্ন তৈনবনি। পেট্রোল মমল লূপা মরিফু য়ৌরে হায়বদা থবাক য়ৈদবা ঙমদে। অঙাংগী ফী হেনগৎলে তাবদা বি পি তিঙ্খ্ৎতনা হায়গৎলি। ভারা হেঙ্গৈৎলে তাবদা থবাক খুদুম শুজৈ। ঙাগী মমল তাঙলে ঙা চাবা ঙমদ্রে। কবোক খোইদুম্মুক চাউবা মাইরেল অমদবু লুপা নিফুকা হায়বসে য়াম্না মুক মুক্না হায়নরে। লুহোংবগী পোৎয়েং লুপা চামঙা পীবা মায় ঙাংনরে। লুপা লীশিং অমা পোৎয়েং পীনবফাও ফি খল্লগা পীনবফাও য়াওরে হায়বা তাই। অঙাং অমা লাইরিক তম্বদা চফু উয়ান মিরাং কানরে। তাইবঙ মীদগী হূইনা হীরম কয়াদা লাকচরম্মে।

সিগী ফিভম অসিদা মৈতৈ হিংবা ঙমখিদরা? সিগী ফিভম অসিদা চীংমীশিং হিংবা ঙমখিদরা? সিগী ফিভম অসিদা পাঙল ইচিল-ইনাওশিং হিংবা ঙমখিদরা? সিগী ফিভম অসিদা তাউবা হূই নত্তনা কনানা হিংবা ঙমখিদগে? ঐখোয় মীওইবসে য়াবু য়ারবদি মথং চহীগী ৱাকচিং মকর সংক্রান্তিদা থোইদিং চাবা তোক্লগা কারুবা ওলহৌবনা ফদৌরমালে। ওন্দৌরিবা হূই অদুসু হূই মখল অপীকপা পোকেৎ দোগতগীসু হেন্না পীকপজাৎকী হূই। মথীবোঙ য়াম্না লাওবা হূই অদু ওইনা ওল্লুরবদি অমুক ৱাননি।

ঐখোয় মেজোরিতিনা হূই ওনখ্রগা তাইবং মী ওইনা হিংহৌবা য়াবা মীদি পঙয়াম য়াম্মোই মণিপুর অসিদা। চানিংবা চাবা ফংবা, শেৎনিংবা শেৎপা ঙম্বা, থক্লিংবা থকপা ঙম্বা মীদি খরখক্তনি লেমহৌদৌরিসিদি, অদুনদি ঐখোয়সিসু মতাং অসিৱাইদা হূইনাও কারুবা ওলহৌদুনা ৱাদনা হিংবনা শাফরোইদ্রা? খরা কোম্না হিংবা য়ানবা ? কোম্না হিংবনা লাকচরক্তৌমাল্লেবো। মীনসু নহান্না ঐখোয়বু হূই ওলহন্নিংলম্বা কনানা খঙবা !!

# চৎলিবা খোঙচৎ অসিগী মায়কৈ কদোমদনো ?

### নবকুমার ওইনা

**ইশা-ইশাগীতা** নত্তনা লমদম অসিগী মমিংসু চুম্লক্ত্রবা, ঙাঙলিবা লোন অসিসু মুৎশিল্লক্লবা মতমসিদা লৌমী শিন্মী, ইমা-ইবেল, ইচে-ইচন, ইচিন-ইনাও পূম্নমক লৈবাকসিগী অৱাবা ফোঙদোক্লবদা তূম্না-হিপ্নদ্রে। লান হায়বদুদি নৎত্রি খল্লিব্রা, কাঙবু অমনদি লানমক্লি খল্লগা খুবাম চেৎনা পায়শিল্লক্লিব্রা হায়বদি খঙনরব্রা? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ৱাহৈনা পীরক্কদৌবা লৈতে, খোঙথাং অমনা অসুম চাকচরিবা মৈ ইক্লবা পাউ ঙাক্তনি।

তশেংবদি মিংশিংগী লাননি। হিংলিঙৈদসু হোংবা য়াবা তরারক হোংবসু ঙম্নরি, থবক অতৈ শূবা নত্তে, শুপ্নতগী মিং হোংবতনি, শিরগসু অমুক হোংগনি। লন-থুম মুন্নবসু মিংদা মুন্নগনি, পৈশা খরা য়েন্নবদসু শাগৈগী মিংদা য়েন্নগনি। মিংগীদমক ঙাওবসিবু থবক ওইনা লৌনরিবা চক অসিবু করি-করম্বা চক অমনা ওইবা তারিবগে? মিং হায়বসি লাই অমনা থোনবা নত্তে, মীওইবা ঐখোয়তনা থোকউ-থোকউবা থোনখিবা মিংখৈ ঙাক্তনি। মিং অদুগীদমক শিবা ঙম্নরিবনি, লাই অমগুম্না মিং অসিবু লাৎপা য়াওনরক্লি। অদুগসু ইরায় লায়না হোংবা ঙম্নরি। থাজনরিবসি মিংদু নত্তে, লাইদু নত্তে, শাগৈদু নত্তে, ৱাখলগী ফিরেপ অদুতনি। হোংবা য়ারিবা মিং, হোংবা য়ারিবা শাগৈ, হোংবা নায়রিবা ফিরেপশিং অসিগীদমক পংশি শিবা য়াওনরক্লিবনি। করিসু ওইরমদে, ওইজ-ওইথক খরগী, লম কনবগী ওইনা উরক্লি। লম অদুদা শাগৎলিবা শাগৈ অদুনা ময়েক শেংবসু নত্তে। লোন্দা, নাটতা, ঈ মরীদা ইতোৎ তোৎশিন্নরবা শক্তম ঙাক্তনা ঈ অশেংবা শারিবা ৱাখল অদুতগী পংশা শাগৎপদু নত্তনা করিবু লৈরিবগে? লৈরি হায়না খনবতনি, মুন্না খঙলকপা মতমদি মশাসু লৈরমদবগী মওংদা লাক্লবনি।

লাই খুরুমগনি, লাই খঙবদি মান্দে, লাইগী লোনচৎ য়াওবসু নত্তে। লাইগী মওংদা হায়বা ঙাঙবা থবৎ-থবৎ তৎপা, হায়খিবদুতা অসুম চুম্লবোইতা খনবা, ৱাখল-লৌশিংগী লোনচৎ শুদবা মাল্লকপদুনি। অদুগুম্বা মীয়ামদুনা পৈশা লৌহৌরগা শেমগৎখিবনি হায়রিবা লৈঙাক অসিনা কয়ামুক শেংনা তৌবা ঙমগদৌরিবা থৌদাং অমা ওইগদৌরিবনো? লৈঙাক অসিনা হেন্না চমম্নবা মাল্লক্লি, নুমিৎ খুদিং মীয়াম অসিগা লাউনরিবা করিগীনো? মীয়ামগীনি হায়গনি, নোংমা-নোংমগী মীয়ামগা লাপথোক্নরক্লি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ ওইরবদি লৈঙাক্কী মরালনি হায়বা য়াই। দেমোক্রেসি চৎলবনিনা মীয়ামগী অশোয়বা ওইরকপদুনি। মীয়ামগী লুচিংবশিংনা কদোমদা পুরিবনো খঙনরক্তবা হায়বদুনি। অফবনি হায়বা ঙাক্তনি, অফবনি খনবনা অয়াম্বনি, করিদা ফগৎলিবনো খঙলক্তবদুনি। লম্বী পাকথোকপা, থাওথি চায়বা, চেঙ য়েনবা, গ্যাস য়েনবা অসিনা লোইগদৌরিব্রা? পূন্না লৈমিন্নবগী ৱা ঙাঙনরি। নুমিৎ খুদিংগী ফুরুপকী ৱা থোক্নরি, ৱারী শাববু ফুরুপকী ৱানা মাঙ থারি। পুকচেল পীকপগীসু ইকায়বা ফাওনবা নৎত্রি, ফুরুপকী লীদরনি হায়রগসু চাউথোকচবা পোক্নরি, ফুরুপকী লূপ ময়াম শেম্নরি। মিংগী মমৈদা ফুরুপ নক্নরি (তোম্বা মৈতৈ), মসিবু মালেমগী মফম কদায়দা চৎরিবগে? ফুরুপ অমবু শাগৈগী থাক্তা পুথরিব্রা? লাইনীংবু ফুরুপ ওইনা লৌনরি, মাইনোরিটিবু লাইনীংদা খায়রি, মাইনোরিটি খরদি মশাগী চাকথুং লৌবা হৈজদ্রি। লৈঙাকসিনা মশানা খঙনা তৌবা লৈত্রি, শোরোক শেম্বা ফাওবা মৈরা পায়বীনা হায়রবা মতমদতা শেম্বা ওইনা তৌরি। লৈঙাক হায়বসি লৈবাক শেম্বগী ওইনা লৌনদে, লম্বী শেম্বগী ওইনা খনবসু য়াওনরিবনি। চীংদগী হায়রকপশিং লম্বী শেম্বগীনা অয়াম্বনি। লম্বীদুনা ফবা ঙমদ্রগনা লৈঙাকসি শেন্দোং য়াম্না লৌখিবা ওইনা উনরকপগুম তৌনরিবনি। থোং শাই তেক্কনি, য়ূম শাই কিন্থগনি, দাম শাই কায়গনি। কদায়দা থাজবা থমগদৌরি। অনৌবা খরনা চিন্দা হায়রগা হেক্তা থাজবা থম্নরব্রা? চীংগী লোক্তা ঙাওনবা ৱাদবু লৈঙাক অমা লৈবগী ঙাওনবা য়াওনরব্রা? ময়োন লম খরদা লৈঙাক লৈবা মানবগী ৱাতনি, চীংদা চৎপা হায়বসি চৎলমদবা, শম্নরমদবগী ৱা অমা য়াওরি, চৎকদৌবা নত্তে, লৈমিন্নগদৌবনি। পূক্লিং ৱাখলদা লৈমিন্নবগী ৱা য়াওদ্রিবমখৈ চৎলুবনা কান্নগনি হায়বা য়াখিরোই। অমুক্তং চৎপনা লৈমিন্নবা নৎত্রি।

লৈবাক্কী য়াইফ থৌরাং তৌবদা খুঙ্গংগী লমদমদা য়ৌবা ৱারবসু ঙসিদি লৈবাক্কী ৱারেপ অমা শাগৎপদা খুঙ্গংদসু ৱাকৎ মীফম তোয়না ফম্নরক্লে। তশেংনা ৱারেপ অমা লৌবদা খুঙ্গংগী মীয়ামসু য়াওরবনি হায়বা য়ারবরা নৎত্রগা লূপ অমগী ৱারেপ্তা লৈবাক মীয়াম্নসু মপূং ফানা শৌগৎলে হায়না লৌগদৌবনি হায়বা লৈরব্রা? পাউ অদুমক য়ু এন ওদা পীবা ঙম্লব্রা? ঐখোয়গীদমক কনানা করি তৌবিরক্কদৌবা লৈরবগে? থাজনরিবসি কনাদনো? করিগীনো?

ইশানা তৌগদৌবা থবক্তা মী ঙায়বা, লীদর ঙায়বা হায়বসি অরানবা থৌওংনি। লীদর অমগী তুংদা মাগা মান্নবা লীদর তারাদগী তাদনা লৈফম থোকই হায়রিবনি। লমদমসিগীনা তুংইনবা মীনা লীদর শারকপা য়াদে, হাত্তোক্লবীনি। লীদর ওইবা পাম্বদগী পার্টিদগী চোঙথোক্লরিনি, লোক অমদা কৈ অনী কুনবা য়াদে হায়নবদুমক্লি। অফবা মীওই লৈতবদি নত্তে, পার্টি শোনবদগী পত্তুনা লৈবশু মাল্লক্লিবনি। লৈঙাক পায়বশিংগা মীয়ামগা কদায়দগী নক্লবা য়াগনি খল্লিবনো, ঙা য়োনবগুম য়োনখ্রবদা ঙা চাবদবু ঙা য়োল্লিবা মী য়াওগদৌবনি হায়বা লৈবা হৌনদেদা। অসিগুম্বা শক্তমসি মালেমগী মীয়াম মমাঙদা থম্বা ঙল্লিবা মীওইসি খ্বাইদগী পংবা শা ওইফম থোকই। ৱা ওইনা পংলাউ লাউনরগা ইকায়বা খঙদবনা মীওইবা শাবা য়ারোই। থৱায় য়াওবগী নুমিত্তা মায় ওনশিল্লিঙৈ ইশাগী ইমি উদে হায়বদুনি। ফজবা শাবনা ফজবা ঙম্বা হৌনদে। শাদি শা ওইনা অদুম উনগনি, ৱা ওইনা হায়নরক্তবগী ৱাতনি। থাগৎলিবসি হাৎথুবগীসু ওইবা য়াবা অদুম ময়াওরিবনি। শোয়বগী শাওগদৌবসু নত্তে, তম্বীবা ঙম্বগী লৌশিংদু শাগৎকদৌবদুনি, পারা তাক্লগদৌবনি। হুরান্নগদৌবা, হাত্তোক্লগদৌবা নত্তে।

লাইদি ময়াম লৈরে নীংনদবদুনি, থবক্তি ময়াম লৈরে শূনদবদুনি। শূনীংদবগা হৈনীংদবগা পুল্লকপদুনি। থবক শূবা তম্বীবদু লায়রি, থবক শূগদৌবনি হায়বদু খঙহনবা চঙই। ওফিসশিংদা থবক শূবা তনবগী ত্রেনিং পীবদগী খুল্লক্তা লায়না শন্দোরকপা ওইগনি। লৈবাক্কী পৈশা হুরানবসি ওফিসশিংদগী তম্নরকপনি। দুর্গা পুজাদা, য়াওশঙদা হুরানবগী ত্রেনিং ফংলক্লবা মীওইশিংদি য়াম্না থুনা চুশিন্নখিনি। লৈবাক মাঙহনবদি থবক শূবা তনবশিংনা মাঙহনবা অদুদগী হুরানবদা তন্দবশিংনা মাঙহনবনা শরুক চাম্মা চাম্মা হেল্লি হায়গনি। হুরানবশিংদি তন্দে।

ৱাথোক খুদিংমক কাঙলূপ নায়না মীচং চংনবা মানবগী মমি হেক্তা তাগনি। লৈরক-খুল্লক্তা থোকপা ৱাথোক মচা-মশুদসু কাঙলূপ শাগৎপগী মমি তানগনি। মসিনি মায়কৈ খঙদনা মুৎনবা লম্বী অমদা চৎলিবনি। মীয়ামসু লৈঙাকসু মায়কৈ খঙনা চৎপা খোঙচৎ মাল্লক্তবগী মমি চাউনা তারি। হুরানবসু ওইসনু মীয়াম্না হাৎপা খুদিং লৈঙাক্লা পৈশা পীবা হৌখ্রে। হৌখ্রবা ৱাথোক কয়াদা শিবা মীপূম খুদিং থিগৎলগা পীফম থোকই। মরম চাবা চাদবা, চুম্বা-চুমদবা হায়বদুনা কেস লোইরগা খঙগদৌবা ওইরমগনি। মীওইবগী মীনুংশিদা পীবা ওইরবদি মীচং শঙ্গ নাইবা য়াফম থোক্তে, চীংদা হাৎনখিবা মী লিশীং কয়াদুগীসু চিংখদনা পীফম থোকপদুনি। হৌরুরবদি লৈবাক অসিনা কায়দ্রিবা ফাওবা পীবা তারকপদুনি। মীয়াম্না হাৎপা ওইরগনা পৈশা লুপা লাক্ষ-লাক্ষ পীবা, সিফাইনা হাৎপা ওইরগনা মরাল লৈবনি হায়বগী পৈশা পীদবা য়াব্রা? কেস লোইদ্রিঙৈদা মরাল লৈ-লৈতে কমদৌনা খঙলিবনো? মীনুংশিগী ওইরগনা নারগা শিবা লায়রবা মীপূম খুদিং পীবা তারক্লি। মশা খঙদবদগী পোৎলোইবগী থবক লৈঙাক্লা পাঙথোকপা য়াওরি। করিগী চৎনবী ঙাক্তে। পোৎলোইবা ঙম্লুরবদি শোরাৎ-ফিরোই শোন্দ্রিবা করিগীনো? গোবিন্দগুম্বা লাই লৌশিনবা ঙল্লিবা লৈঙাক্লা মীবু পোৎলোইবদি ঙম্লগা শোরাৎ শোন্দ্রিবসি কদায়দা চুম্লিবনো? লাইদি লৌশিনবা, লাইনীংদি চত্তবা লৈঙাক করম্বা লৈঙাক্লো? ঙসিগী লৈঙাক অসিগুম্না মীনুংশি চাউবা ইয়াও য়াওখিদ্রি হায়বা য়ারি। মতু শোনবা ফুরুপ খরদি পৈশা পীর-পীগা তুম্নবা হাৎপা ঙম্লগদ্রা হায়বদুদি তুংদা তৌরকপা থবক্তগী খঙগদৌবা ওইরমগনি খল্লি। মদুমক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবসু নত্তে। থৌওংশিং অসিদা চিননীংঙাই ওইরকপা য়াবদুগী ৱাতনি। পৈশাগী থবক্তুনি।

মীয়ামসু লাইদা ঙাওই, লৈঙাকসু লাইদা ঙাওই, থবক্তা লৈখায় তানদবা মানবগী ৱাতনি। লাইদা লৈখায় তাদবশিংনা থবক্তা লৈখায় তাবগী ৱাদি লৈতে। লৈখায় তাবা হায়বসি লাইগী ৱা নত্তে, লৌশিংগী ৱাদুনি। অশিবসু পৈশা ওন্থোকপা ঙম্নরকপগী ৱাদুরা? হন্ন-হন্নসু পন্নখ্রে, লাইগী ৱাসি লৈঙাক্লা শম্নফম থোক্তে। সেক্যুলরিজম হায়বসি লাই লোয়না লাৎলু হায়বা নত্তে, লাই অমতগা শম্নগনু হায়বনি। লাই লাৎপা নৎত্রগা লাইবু নীংবা হায়বসি মরন্নাইনি, হোম ৱর্কনি হায়বা ওইগনি। ঐখোয়গীনা শোরোক তারকপনি, লোবু হুমদুনা পুনবা হোৎনরকপনি। হৌজিক্তি লাই নীংবশিংসি অপঙবা কারল তাবা মীনি খনবা অঙাং কয়া'মা লৈরক্লবনি। লাই হায়বসি লায়না লৌবা ঙম্নরক্লবনি। মতম অসি ফাওবদা লৈঙাক অমনা লাইগী মরমদা চরক-চহিং নায়বা য়াওফম থোক্ত্রবনি। লাইগী মরমদা চমম্নবা লৈবনা কাঙলূপকী থবক্তসু চরক চহিং নাইরকই। কাঙলূপ কয়া থোক্লা খাইদোকপদগী লৈবাক্কী থৌশিলদসু কাঙলূপ-বেজ ওইনা চথেরকই। মশাগী লাইনীং অমসুং মশাগী ফুরুপকী ৱাখল লৈবনা থবক্তা মমি তারকই, চিন্দা ঙাঙবগা থবক্লা মান্নদবা য়াওরকই। লম মমিং, মী মমিং, লাই মমিং, লোনগী মমিং ফাওবা ফুরুপ নাইরকই, থবক্লা উৎলকই। থাজবীদু, হৈনবীদু, পাম্নবীদু পুনবগী মহুত্তা মচেৎ-মচেৎ থুগাইরকই। ষ্টেট অমগী মী পূম্নমক্কী অপূনবা মিংথোল অমা মশাগী লোন্দা পুথোকপা ফাওবা চয়েৎনরকই। কয়াদা খোঙহৌ থেংহৌরবনো? লাইগী মমিংনা চয়েৎনবা থোকহল্লক্লি।

লমগী মমিংদা ঙাওনগদৌবা নত্তে। লৈরম্লিবা পোৎশিং অসি লৈরিবা ঐখোয় পূম্নমক্কীনি হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। মমিংদা ঐগী ওই-ওইদে হায়বা অপীকপা হৈবোং মনুংগী ৱাখলদগী মপান্দা থোক্লরকপা চঙই। মিং হায়বসি মিং কৌবা য়ানবা, পোৎ মশক তাক্লবগী কৌনবনি। ফৈ-ফত্তে, ঐগীনি-মাগীনি হায়বগীদমক কৌনরম্বা নত্তে। ফজদবা, ফত্তবা কয়া শেমদোক্লগা ফজহনবা, নুংঙাইনবা শিনবদুবু ঙম্লবদি মী কৌগদৌবা ওইরমগনি খল্লি।